থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুর লৈঙাক - চাকথোংবী শান্নবগুম্বনি

থম্মোয় পাউদম হায়বসি, পুক্লিংসিদা/থম্মোয়সিদা মতম মতমগী মতুংইন্না ফাওরকপা ইহুল অদুগী পাউদম্নি। অখন্নবা হীরম অমখক্কী রিপোর্ট (পাউদম) নত্তে। রিলিজন/পোলিটিক্স/ফিলোজোফি/লিটরেচর/আর্ট/সাইন্স/কলচর - অমদা হেক্তা ওইবা য়াই, তারুবা/পারুবা/নৈনরুবা অমদগী থম্মোয়সিদা য়ৈরকপা। খুদক্তা খোৎচিনহৌদ্রবা, মথংগী মীৎকুপ অদুদা - য়াওই কাউথোকখিবসু। নৎত্রগা, হীরমদুগী রিলেভেন্স মাঙখিবা।

ঙরাংগী নুমিৎ অদুদা (জুন ২৫, ২০২০) ঐগী পুক্লিংসিবু খ্বাইদগী খোইরাং খোইশাওনহনখিবা, পোত্থাফম খঙহনখিদবা পাউ অসি - মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনারিওদা উরকখিবা অহোংবশিং অদুগী খ্বাইদগী নৌবা পাউ অদুনি। কোল্লম অসি পাবীরিবশিংনসু খঙবীরম্লগনি- পাউ অসি করিনো ? ঈচীনসিনা পন্নিংদে, ঈখুৎসিনা ইনিংদে। লমচৎ নাইদবী হায়না ফজবা ৱাহৈদা হায়নবা, কনাগুম্বী অমনা মমল অমদা মনতীক্লরগা মশাবু মীকুপ খরগী ওইনা য়োম্থোকপগী শাজৎ (লীচৎ হায়নিংদে) অদু ঐখোয়গী ইহুৎ শীন্দুনা লৈপাক ঙাক্কনি চৎখিবা মখোয়না চৎলকপা অদুগী পাউদুনি।

তম্নিংদবা পাউ অসি তমগে খল্লুরবনিনা মচেন্না-ময়ানা য়ৈদুনা তম্লরোই। চুমদ্রিং হেক্তা তম্লগে। এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি অমদি অতৈ পার্টি মচা-মশু খরগা চুমশিন্নবা লৈঙাক অসি জুন ১৭, মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভা সীট অদুগী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নিনি ৱাৎলিঙৈদুদা খঙহৌদনা অঙকপা অহোংবা অমা লাকখি। চোংথোক-চোংশিন-রাজনিতিদুদি মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংগী মফমদা অঙকপা নত্তে, মশাগী ক্যারেক্তর অমা ওইখ্রবনি। ইন্দিয়ানা তমজনীংঙাইনি। শ্যামকুমারনা তৌখিবা, মিনিষ্টর ওইনা অদুক কুইনা ফম্লমখিবদুবু কনানা তৌবা ঙমগদগে ? মহাক্কুম্নদি থৌনা ফখিদবা, কোংগ্রেসকী এম এল এ তরেৎ অমসু রুল্লিং পার্টি হায়বদুদা য়াওনিংদুনা বি জে পিদা য়াওরে লাউথোকখিবগী থৌদোক্তুসু খঙদবা কনা লৈরম্লোই। কোংগ্রেস পার্টি প্রসিদেন্টনা কোংগ্রেসতগী তাম্থোক্লে হায়বা চেরোল অমত্তা থোকখিদবনা, মখোয় তরেৎতি এসেমব্লি সেসন খুদিংদা, ওপোজিসনগী ফমফমদা, কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা, ৱা ঙাঙদনা য়াওরকখি। বি জে পিগী মায়কৈদসু মখোয়বু পার্টিসিগী মেম্বর ওইরে লাউথোকচবা ঙমখিদে। অনীমক লৌ তৌনবনি। অসুম্না, চহী অহুম হৌখ্রবসু ওনরেবল স্পীকরনা মখোয় তরেৎকী মতাংদা তাংদাংবা ফিরেপ লৌখিদে। আইনগী থোঙদগী য়েংলবদি মখোয় কোংগ্রেসকী মেম্বরনি, পুম্নমক্কা হায়গনি। করম্বা লোয়র-এক্সপার্টতগী পাউতাক লৌরগা থাংলকখিবা খোঙথাংনো খঙদে, মখোয় তরেৎপু দিসক্বালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা কোংগ্রেস লুচিংবা খরনা কেস থাঙ্গৎলকখি। শাংলবা ৱারীনি শমজীনজগে - স্পীকরনা মৱা লৌখিদে। জুন ১৭, এন পি পিগী এম এল এ মরিনা মন্ত্রি ওইবা তোকপতা নত্তনা বিরেন - লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোকখিবা, তৃণমুল কোংগ্রেসকী অমত্তা ঙাইরবা মেম্বরদুগা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অদুগনসু 'সপোর্ট ৱিথদ্রো' তৌখিবা, থাজদবা মওংদা বি জে পিগী এম এল এ অহুম, বি জে পিদা শৌগৎপা তোকখিবদা নত্তনা পার্টিসিগী প্রাইমারি মেম্বরসিপ অমদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরসিপতগী রিজাইন তৌখিবা মীকুপ্তুদগী কনাগী মৱা লৌরুদ্রবা সী এম বিরেন অমদি স্পীকর খেমচান্দ মমিৎ খংশিং শিংলকখি, অরৈবা পাঙ্গল-লৌশিং ফুদোরকখি। জুন ১৯, এম পি ইলেক্সনদুগী মাঙওইননা ৱাথোক ওইরিবা কোংগ্রেস মেম্বর তরেৎতুগী মনুংদা কোংগ্রেস কেম্পতা হনখ্রবা মখোয় অহুম দিসক্বালিফাই তৌরগা, বি জে পি কেম্পতা লৈহৌবা অহুম্বুদি হিংহনখি, অমগীনা পেন্দিং থমদুনা থাখি। অঙকপা থৌদোক অমনা, তৃণমুলগী অমত্তা ঙাইরবা এম এল এদু খুদক্তা কনাগুম্বা অমবু এপ্লিকেসন থাহল্লগা দিসক্বালিফাই তৌথোকখি।

পাউদমসিগী অহৌবদা ঐনা 'অঙকপা অহোংবা অমা' হায়জখিবদুদি মখোয়সি নত্তে। মশানা মেম্বর ওইরবা পার্টিদুনা পায়রিবা লৈঙাক্তুদা পেন্দদুনা পার্টিদু থাদোকপখক নত্তবা 'এম এল এ ওইবদগীসু তোকচরগে' হায়বা ফিরেপ অসিদি মণিপুরগী পোলিটিকেল হিষ্টরিদা মাঙলমচত্তা অমুক্তসু থোকখিদ্রি, তুংলমচত্তসু থোরক্কনি থাজদে। কর্নাতকাদা কোংগ্রেস - জে দি (এস) কোঅলিসন গভর্নমেন্ট থুগায়নবা (মাইনোরিটি তাহন্নবা) বি জে পিনা শান্নখিবা দ্রামাদু মণিপুরদা কোংগ্রেসনা শান্নগে তৌবদা ফ্লোপ চৎখিবনি। হৌজিক্তি, মখোয় অহুম, মাগী মাগী কেন্দ্রদা 'হিরো' ওইনা ওক্কদ্রা ? নৎত্রগা 'অপঙ চুমচৎ' তাগদ্রা? লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংনা তাক্লক্কনি।

অদুগা, দোলাই তোংবীগীদমক ৱাইকুপ পুবীনা ৱায় হায়বগুম, ইথৌইরৈ লৈতনা এন পি পিগী মিনিষ্টর মরিদুগী খল্লুরগা, ঐনা ওইনা লৈক্রক অরাওবা থিরুই হায়বদুগী থৌদৌদুনি থোক্লিবা। চহী অহুম হেন্না লৈঙাক পুমিন্নরক্লবা চীফ-মিনিষ্টর অমগী ওতোক্রেতিক অমদি দিক্তেতোরিঅল ওইবা লৈঙাক-ষ্টাইল অদু য়ানীংদদুনা লৈঙাকসিদগী তোক্লকপনি ... 'মানা কনবা, হায়নবা য়াদবা চীফ মিনিষ্টর অসি শীন্দোক্ত্রিবমখৈ অমুক হন্না য়াশিন্নবগী ৱা লৈতে' হায়দুনা লৈপাক মীয়াম তানবা, মিদিয়াগী মমাংদা অদুক শাংনা ঙাঙখিবা ... চুম্না ঙাঙবখক নত্তনা কোংগ্রেস পার্টিগা খুৎশম্নদুনা, অতোপ্পা লৈঙাক শেম্নবা 'এলাইয়েন্স ফাওবা শেম্লুরবা, কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম শেম্লগনি লাউথোক্লুরবা মতুংদা, কোনরাদ সংমা অমদি হিমন্তা বিস্বা সরমা অনীনা স্পেসল চার্টর্দ-ফ্লাইট অমদা দিল্লি তানা পুদুনা হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ' অমদি বি জে পি প্রসিদেন্ট 'জে পি নদ্দা'গসু উনদুনা নীংঙাই চাউবা মরিবু মপুগী মফমদা ৱাকৎহল্লুই।

- 'হৈ ! করিনোনে নখোয়না তৌরিসিবো ? ঐ লৈরি, ঐখোয় লৈরি, মানা লম হেন্দুনা পঙতৌ তৌ' - য়াব্রনে, ঐ হায়গে, ঐ চৈগে ... হায়না-তানবা য়াদ্রগা থোক লৌথোক্ল' লোইরে কৈনোনে ... কৈশু লৈতবা ৱাসিগীদমকপু অঙাং - চাকথোংবী শান্নবগুম শান্নবা, য়াওররোই'কা হায়বদু অঙাং মচা মাল্লি ... চৎলো চৎলো য়াশিন্নরুরো...'

- ইকতি ইকায়খ্রেদা, কমদৌসিগে ... !

- ঈকায়বা হায়বদু খঙলদি করিগী পোলিটিক্স তৌরুরি ? চৎলো। ঐনা হায়রিসিনি । হায়বা ইন্দ্র'দি নখোয়সু পোলিটিক্স লোইজনি। প্রজাগী ৱা খল্লুনু ।

'সুম হায়না হায়রক্লমদৌ মাল্লি, মখোয়গী মীটিং অদুদা ।

লৌশিং পুক্কে

# নুংতিগী থবক চখোক-চৎশিন তৌবদা থেংনবা য়াবা কোভিদ-১৯গী খুদোংথীবা করম্না হন্থহনগদগে



কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌরম্বদগী থবক থৌরম কয়াদা অথিংবা কোমথোকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা থেংনবা য়াবা খুদোংথীবশিংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে থিবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতসু লোকদাউন কোমথোকখিবগা লোয়ননা থবক-থৌরম কয়া হান্নগী ফিভমদা লাক্লবা হোৎনবদা খুদোংথীবা থেংনদনবগীদমক য়ু এস সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না ইমপ্লোয়রশিংনা ঙাক্কদবা গাইদলাইনশিং শেমখ্রে।

হায়রিবা গাইদলাইনশিং অসিদা ইমপ্লোয়িশিংনা ওফিসতা লাকপা অমদি হনখিবগী লম্বীদা খুদোংথিবা মায়োক্লন্দনবগী মতাংদসু য়াওরি।

ইমপ্লোয়িশিংনা থবক লাকপা অমদি হনখিবদা য়ারিমখৈ মথন্তা নৎত্রগা লৈমিন্নবা মীওইশিংতগা চৎমিন্ননবগীদমক সী দি সীনা রেক্কমেন্দ তৌরি।

সী দি সীগী খ্বাইদগী অনৌবা গাইদলাইননা হায়রি মদুদি, কোভিদ-১৯ ট্রান্সমিসনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি থবক চৎথোক চৎশিন তৌবদা পব্লিক ট্রান্সপ্রোর্টেসনদা চৎতবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বেনি। গাইদলাইন অদুগী মতুংইন্না সাইকলদা চৎপা, খোঙনা চৎপা অমসুং ইশাগী লন্নাই গাড়ি অমদা চৎনবা পাউতাক পীরি।

পব্লিক ট্রান্সপ্রোর্টেসন শীজিন্নহন্দনবগীদমক ইমপ্লোয়রশিংনা ইমপ্লোয়িশিংদা ইন্সেন্টিব পীগদবনি হায়নসু সী দি সীনা সজেষ্ট তৌরি।

লাস ভেগাসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ নিভেদাদা স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ব্রাইয়ন লাবসনা হায়, চৎথোক চৎশিন তৌবদা ইথন্তা চৎপা নৎত্রগা য়ূমদা লৈমিন্নবা মীওইশিংখক্তগা কার তোংমিন্নবনা অতোপ্পা মীওইশিংবু অমদি ইশাবু লায়না অসিদা এক্সপোজ তৌবগী রিস্ক হন্থহল্লি।

অদুবু অমুকসু, সী দি সীনা পীরিবা মথন্তা চৎপগী রেক্কমেন্দেসন অসি য়েৎননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি ওইরি। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা ইনভাইরনমেন্টতা শোকহল্লক্কদবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নরকখি। ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লম্বীদা গাড়ি চিনবগী চাং হেনগৎহনগনি হায়না এক্সপার্ট খরনা মোৎ পীরি। কার্বোন্দাইওক্সাইদ পুথোকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদসু অকায়বা লাক্কনি।

হায়রিবা গাইদলাইন অসি ইন্ননবা হোৎনবদা শেম্থোক নেম্বা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা য়াই হায়না মীওই কাঙলুপ কয়ানসু ফোঙদোক্লরক্লি।

থোরক্লিবা চয়েৎনবা কয়া অসি কোক্লবগীদমক সী দি সীনা থমখিবা রেক্কমেন্দেসন অদুদা 'য়ারগদি' হায়বা ৱাফম অমা হাপচিল্লকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা রুটগর্স স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী এসোসিয়ট প্রোফেসর হেনরি এফ. রেমন্দনা হায়, 'মীয়াম পূন্না-পূন্না চৎথোক চৎশিন তৌরগা লায়না-লাইচৎ শন্দোকপগী চাংসু নেমথহনবা হায়বসিদি ওইথোকপা য়ারোই। হায়বদি পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসনসু শীজিন্নরগা লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং নেমথহনবদি ঙম্লোই।'

রেমন্দনা মখা তারদুনা হায়, মথন্তা চৎপা ঙম্বা মীওইশিংদা মথন্তা চৎহল্লবদি শেম্থোক য়ামজদবা মীওইশিংনা তঙাইফদনা পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন শীজিন্নবদা খুদোংচাগনি।

পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসনদা মী য়াম্না চৎনদ্রগদি চৎলিবা খরা অদুনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপদা খুদোংচাগনি হায়নসু রেমন্দনা মখা তারি।

থবক চৎপদা পাম্বে অমা হেক্তা শীজিন্নরবসু মীওই খুদিংমক্না তঙাইফদনা ইনগদবা অকক্লবা চৎন-কাঙলোন খরদি লৈ হায়না সী দি সীনা ফোঙদোক্লি। কাঙলোনশিং অদুদি: – চৎথোক্লমদাইদা অমদি হল্লকপগা শাপোন শীজিন্নদুনা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ চঙনা খূৎ-শা হামদোকপা, নৎত্রগা য়ামদ্রবদা অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০ য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

– মীৎ, নাতোন অমসুং চীনদা খূৎনা শোক্লোইদবনি।

– হাকথী খনবা নৎত্রগা লোক খূবদা টিসু পেপর শীজিন্নদুনা চীন খুমগদবনি, শীজিন্নরবা টিসু অদু দষ্ট বিনদা হাপচিনগদবনি, লোক খূবা নৎত্রগা হাকথী খল্লুবা মতুংদা সাপোন্না খূৎ হামদোকপা নৎত্রগা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

– য়ূম অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নদবা মীওইশিংদগী য়ামদ্রবদা ফিট ৬ লাপ্পনা লৈগদবনি।

– অতোপ্পা মীওইশিংগা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা খুদোংচাদবা মতাংদা ফিনা শীজিন্নদুনা মায় খুম্বা। পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসনদা চৎপদা ফেস মাস্ক উপকদবনি।

– হকচাং ঙমদ্রবদি নৎত্রগা কোভিদ-১৯না নাবা মীওইগী মনাক নক্লুরবদি য়ূমদা লেঙদনা লৈগদবনি।

– অহল ওইরবা মীওই, হকচাংগী ফিভম শোইনাইবা, অমদি অতোপ্পা হকচাংগী অনাবা লৈবনা মরম ওইরগা হেন্না খুদোংথীগদবা মীওইশিংদি য়ারিমখৈ চৎথোক চৎশিন তৌরোইদবনি।

ইথন্তা ইশাগী গাড়িদা চৎচবা হায়বসিনা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বে অমা ওইরগসু মীপুম খুদিংমক্না মদু ইনবা ঙমগদবদি ওইদ্রি। অসিগুম্বা মশাগী মরনাই গাড়িদা চৎচবা ঙমদবা মীওইশংগীদমক্তা সী দি সীনা মখোয়গী রেক্কমেন্দেসন অদুদা শেমদোক শেমজিন খরা তৌরক্লি।

কনাগুম্বা মীওইশিংনা থবক চৎথোক চৎশিন তৌবদা পব্লিক ট্রান্সপ্রোর্টেসন শীজিন্নরবদি নৎত্রগা অতোপ্পা মীওইশিংগা গাড়ি পূন্না তোংমিন্নরবদি, মথক্তা পীরিবা গাইদলাইনশিং অসিগা লোয়ননা মখোয়না শীজিন্নরিবা চৎথোক চৎশিনগী মওং অদুগী মতুংইন্না অকক্লবা গাইদলাইন খরসু রেক্কমেন্দ তৌরি।

গাইদলাইনশিং অদুগী মনুংদা মরুওইবা খরা মখাদা পীরি:

– পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন শীজিন্নরিঙৈদা, মতম মতমগী ওইনা লাকপা অহোংবা অমদি অনৌবা প্রোসিজরশিং খঙ্গদবনি।

– পোৎ-চৈশিংদা পায়রোইদবনি। মীয়ামনা তোয়না পায়নবা পোৎশকশিং পায়রুরবদি য়ারিমখৈ থুনা খূৎ হামদোক্কদবনি নৎত্রগা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

– ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি। য়ারগদি মী চিন্দবা মতমদা চৎকদবনি।

– খূৎ-শা লূ-নান্না থমগদবনি। মথৌ তাবা খুদিংগী খূৎ হামগদবনি নৎত্রগা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

– ইশাগী গাড়িদা চৎলবসু নৎত্রগা টেক্সিদা চৎলবসু থোংনাউ হাংদোক্তুনা নৎত্রগা এয়র কন্দিসন শীজিন্নদুনা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহনগদবনি।

– মীয়ামনা তোয়না পায়নবা পোৎ-চৈশিং ইশানা পায়দ্রিঙৈদা দিসইনফেক্টিং ৱাইপ্স শীজিন্নদুনা শেংদোক্কদবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**সন্ধ্যারানি অবুজম, হৈরোক কবো লৈকায়**

লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসি তংদু লৈতানা লৈবা ঙল্লিবা অমদি লোকদাউন কোমথোরকপা মতমদা চিংনবা লৈতনা চৎপা ঙল্লিবা পূম্নমক অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা হেল্থ ৱাকর্সশিংনা কৎথোকপা ঙম্বা থৌনা অমগা লোয়ননা হোৎনবিরকপগী মহয়নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা রেদ জোন লাউথোকখ্রবা ষ্টেটশিংগী লিষ্টতা মণিপুর য়াওরবসু লমদম অসিগী মীয়ামগী থম্মোয়দা থোইদোক্না অকিবা ফাওবা লৈত্রি। লুরবা তানফম অসিদা মণিপুরদা হোংলক্লিবা পোলিটিক্স ফীভম, অঙম্বা তানদুনা ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা অমদি চোংথোক-চোংশিন তৌবা অসিনা ঐখোয় মশেল কদাই ফাওবা নুংশি চাননা লৈবগে হায়বদু তশেংনা তাকচরে। হেল্থ ৱাকর য়াওনা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইরক্তুনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন ওইরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরবা তালক অসিদা লৈঙাক্কী ফম মুন্নবগী ৱাফমদা তাইশিন্নবা পুরক্লবগীদমক ফম্নাইবা কয়াবু ক্বারন্টিন তৌহন্দনা মীয়াম মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লিবা অসিদা করিগুম্বা পোজিটিভ ওইবা কেস য়াওরম্লগদি মদুগী তেকচাক কনানা পুগনি হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মীয়ামগী খনবিদুনা ফম মুন্নবা তোকপীদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবিয়ু।



**মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়**

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাং-থৌশিলশিং তরাম্না ওকই। শিনিমশিং অমদি লৌমিশিংনা জেরো বেলেন্সতা হাংখিবা একাউন্টশিংদা লৈঙাক্না মতেং ওইনা শেল হাপ্পিরকপা তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু লুরিবদি বেঙ্ক একাউন্টদা শেল য়াওরবসু শেল অদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লরি। মীচম মীয়াম্না শেল অদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা মীওই খরনা খুদোংচাবা লৌবসু য়াওদবা নত্তে। পোৎকী মমলসু খঙহেন হেনগৎখিবনা খূৎতা লৈজরম্বা শেলসু লোইশিল্লক্লে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা মীয়ামবু মপান থোক্তনবা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু চানিংঙাই লৈরক্ত্রবদি কয়াম কুইনা থিংবা ঙমগনি। চান-থক্লবা পোৎলমশিং মীচম মীয়ামদা য়ৌহনবিয়ু। অরাপ্পা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংনা মশাগী একাউন্টদা য়াওরিবা শেল শীজিন্নবা ঙম্নবা অরাইবা লম্বী য়াৎপীয়ু। চানিংঙাই লৈশিল্লক্ত্রবদা য়ূমদগী মপান থোক্লরকপদা কনা অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা লায়না অসিবু ঙাকথোকপা ঙম্নবা য়ামদ্রবদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা শীনবিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## 'শেন্দোয় খোম্বগী থবক তৌবীগনু'

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা তং-তাবা অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা নহারোল য়াইফকোল অমদি সোসল য়ুনাইটেদ ক্লবনা কোনবা নাওরেম লৈকায় অমদি ওইনাম লৈকায় অনীগী মনুংদা মাইক্রো ফাইনান্স বেঙ্কশিংনা লোন খোম্বা অমসুং লন্নাই শেন্দোয় খোম্বনচিংবা তৌবীগনু হায়না এন ৱাই কে অমদি এস য়ু সীগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না অৱাবা কয়া থেংনরি। মালেম পুম্বদা পেন্দেমিক ওল্লক্তুনা ঙসিদি মণিপুরদসু অৱাবা চৈথেং ফংলরে। মণিপুর লৈঙাক্লসু লায়না অসি থিংননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মণিপুর পুম্বদা লোকদাউন থমখিবদগী মীয়ামদা অৱাবা ওইরি। লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লোকদাউনগী চৈথেং ফংলিবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা তং-তাবা অমা লাক্ত্রিবা ফাওবদি নাওরেম লৈকায় অমসুং ওইনাম লৈকায়গী মনুংদা শেন্দোয় খোম্বগী থবক তৌবীগনু। মরুপ তৌরিবশিংনসু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা তঙাইফদবা য়েংলগা চথবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৬।২০২০ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৭.০২ ফাওবা ইঙেলগী ৫নি পানগনি, মতুংদি ৬ নি পাল্লনি।



**মেষ :** লন চাওখৎপা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা মীকোক থোংবা ওইজৌ হায়বসু লৈবা নুমিৎনি। মীয়ামগা মরী য়াম্না ফগনি-নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।




**বৃষ :** অকিবা লৈতনা হোৎনবা, ইমুংগী ৱা তাবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎপনা নুংঙাইবা হেনগদবা নুমিৎনি। নচাক-নরল অমদি ৱাঙাঙ চেকশিল্লু। অনম তানগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।




**মিথুন :** মায় পাকচবা, শেন্দোং তানবা লম্দা চাউনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। ৱাফংনবদি তৌরুনু। অদুবু য়েক্লবদি লাকশিনবা ঙমগনি অমদি অনীংবা লায়না পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।



**কর্কট :** লৌশিং ফুদোক্তুনা থৌ পাংবা ঙমগনি অমদি অফবা মহয় ফংজগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি য়েক্লবা হন্থগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি খরা চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থাগৎপিগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**সিংহ :** হরাওবা, লল্লোনবদা চাউনা শেন্দোং ফংগদবা অমদি নীংবদুমক পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাবা, লৈফম নুংঙাইবা ফংজগদবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**কন্যা :** খোইরাংবা, থাজদনা নক্লবনা তাথীবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাইগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল নত্রগা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**তুলা :** শেল ফংবগী নুংঙাইবা, থবক মঙ্গল ওইবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। নচাক-নরল চাওখৎকনি অমদি থৌনা লৈনা থৌ পাংবা য়াগনি। য়েংশিনবদি লৈরি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**বৃশ্চিক :** অঙম্বনা চানবীবা, নীংবা মপা চাবা অমদি লল্লোনবদা শেন্দোং য়াম্না ফংবা অফবা নুমিৎনি। অদুবু পাউ নুংঙাইতবসু তাবা, লৌশিং খরা ৱাৎপসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**ধনু :** পূক্লিং নিংদোম পোম্বা, লৈঙাক্কী লম্দা পেন্দবা অমদি মীয়ামগা নক্লবা ঙমদবা লৈ। থৌনসু ফুদোকপা য়াদবা মদুনা শাওনবা ওইনা থোক্কদবা লৈ-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীগী মতেং লৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেঙ।



**মকর :** মীংচৎ ফংজবা, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি হায়জ-চৎচবা কান্নবা নুমিৎনি। অফা অপুনদি লৈরি অমদি হেনজিন্না অশা চাউবসু য়াখিরোই। মরুপতি ফংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**কুম্বা :** নীংবা থুংবা শোয়রোই, ৱাখল থোক্কনি অমদি অনৌবা থৌরমদা পূক্লিং চংবা ফৈ। য়েৎনবা, থবক পাংদবা অমদি পাউ নুংঙাইতবদি লৈখিনি। মীতোপ থাজগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মিন :** মায় পাক্কনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি অকোয়বগী মীশিংনা লুনা চান্না তৌবিগনি। মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈ অমদি অনম তানদবনা য়াইফবা ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।


মমি ৱারী

## গ্রিগোর

*রোহিট শহা*













*Rohit saha is a visual artist from Calcutta and lives in Bombay presently.*